**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-10-2024)**

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামদা শেল ওইনা লুপা লিশিং অমমম পীনবগীদমক লুপা কোতি মঙা হেনবগী শেনফম কায়থোক্লে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি) ওইনা লৈরিবা পুমমক্তা তেংবাং ওইনা লুপা লিশিং অমমম পীননবা অমদি তঙাইফদনা নীংথম থাগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরুওইনা-মোম্পাক, কম্বলনচিংবা পীননবা ষ্টেট ইমর্জেন্সি ফন্দগী লুপা কোতি মঙা হেনবগী শেনফম কায়থোক্লে।

অমরোমদা, রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক রাজ্য সরকারগী ইমর্জেন্সি ফন্দগী লুপা কোতি মঙা লাখ ৬ লিশিং ৪৫ গা লুপা চাম্মা কায়থোক্লে। বিভাগ অসিগী কম্মিস্নার-এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোলদা মখা তানা হায়-শেনফমশিং অসিনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিংগী মোম্পাক, কম্বল, কাংখল অমদি তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ফংহনগনি।

**ত্রাফিক (এল)ঃ** ত্রাফিক্কী এস.পি. প্রমেস অরাম্বমনা হায়রি-হরাউ কুম্হৈ মতম লাকপগা ইরোইননা গাড়ি চিনবগী চাং হেনগৎলক্লে। থা অসিগী ৩১ দগী মফম খরদা মরুওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপগা ইরোইননা মীয়ামনা কৈথেলদা পোৎ-চৈ লাকপা অমদি য়োনবগী লাকপগী চাং থা অসিদদি কা হেন্না

ৱাংখৎলক্লি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা মফমশিংদা মী চিনবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা শ্রী প্রমেস অরাম্বমনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা উন্নবদা অসুমা হায়-

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরগী ইরাং লৈবা অমদি চিংগা তায়নবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুং গাড়ি ২৩৮ অমদি নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৩১২ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংল্লকখ্রে হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড স্ট্রোক ডে-২০২৪ গী থৌরম ঙরাং ৱাঙ্গোই কম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

‘গ্রেট দেন স্ট্রোক এক্তিব চেল্লেঞ্জ’ হায়বা হীরমদা এন.সি.বি. সেল, সি.ঐচ.সি. ৱাঙ্গোইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি-ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখাদা শিনখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**গ্রাম সভা (এল)ঃ** চহি অসিগী ওইনা ভারত পুম্বদা ‘কলচর ওফ ইন্টিগ্রীতি ফোর দা নেসন্স প্রোসপরিতি’ হায়বা হীরমদা পাঙথোক্লিবা ‘ভিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক’ কী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অকম্পাৎতা লৈবা থিয়াম লৈরক কম্যুনিতি হোলদা গ্রাম সভা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ২৮ দগী হৌদুনা নবেম্বর অহুম ফাওবা পাঙথোক্কদবা

এৱারনেসকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা গ্রাম সভা অদু মনিপুর রুরেল বেঙ্কনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** মালেমগী মফম খুদিংদা পাঙথোকরিবা ইন্টরনেসনেল ব্রেস্ত কেন্সর এৱারনেস মন্থকী শরুক অমা ওইনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজতা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিয়েসন ওনকোলোজিগা খুৎশমদুনা কলেজ অসিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী ব্রেস্ত কেন্সর এৱারনেস প্রোগ্রামগী নোদেল ওফিসার-ডা: দি. অরুনকুমার শর্ম্মা অমসুং কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-হঞ্জবম মনোরঞ্জন শর্ম্মা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**সেফতি (এল)ঃ** ইম্ফালগী টি.জি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ঙরাং নোংমগী ওইবা স্কুল সেফতি প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। আই.আর.সি.এস. ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্স অমসুং এন.দি.আর.এফকী ১২ শুবা বটালিয়ননা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুহার হাবা য়াওনা খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা চেকশিন্নবগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নিনিগী গুজরাট খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম এক্তা নাগরদা লুপা কোতি ২৮০ হেনবগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

প্রোজেক্টশিং অসিনা মফম অদুদা লম কোইবশিং লাকপগী চাং হেনগৎহন্নবা অমসুং লম কয়াদা হেন্না চাউখৎহন্নবা পান্দম থল্লি। শ্রী মোদিনা আরম সিক্স পোইন্ট জিরোগা মরী লৈননা ৯৯ শুবা কম্মন ফাউন্দেসন কোর্সকী

ট্রেনি ওফিসারশিংদসু ৱা ঙাংগনি।

আরম সিক্স পোইন্ট জিরো অসিদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা সিভিল সার্ভির্সেসকী ট্রেনি ওফিসার ৬৫৩ অমসুং ভুটানগী সিভিল সার্ভির্সেস অহুমগী ট্রেনি ওফিসারশিং য়াওরি।

**ভালাভাইঃ** ন্যু দিল্লিগী সেন্সস বিল্ডিংদা খিনবা সরদার ভালাভাই পতেলগী মীতম অমা ঙরাং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মায়খুম হাংদোকখ্রে। পোকপা অমসুং শিবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌননবা সিভিল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম কৌবা মোবাইল এপ্লিকেসন অমসু গৃহ মন্ত্রিনা হৌদোকখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-সরদার ভালাভাই পতেলনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইবগা লংলানা পুনশিনদুনা মপাঙ্গল কনবা ভারত অমা শেমগৎনবগী যুন্স্ফম থোল্লমখি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিগী আইন মেন হায়না খণ্ডনরিবা লুচিংবা অসিগী মীতম অসি লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকখিবা অমসুং লান্থেং কয়া চখ্থিবগী খুদমনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক্কী উরেপ উয়ুং তম্বদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং, মনিপুরগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোংখিবা অমদি দিল্লিদা শান্তিগী খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ভোটপু ফংলগদি হায়দুনা মীতোপ চংল্লকপা থিংহৌদবদগী ঙসি অৱাবা নংলিবনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-এম.ঐচ.এনা মনিপুরগী এম.এল.এশিংগা

অনিশুবা রাউন্দগী ৱারী অথুবদা শান্নরবা য়ানা লৈরে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-পুলিসনা জেলদা থাজিনবীয়ু হায়জরকখিবা পাঙ্গেজম সরতচন্দ্র কোর্টনা বেল পীখ্রে হায়না পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরদা শান্তি হনজিলহল্লু, আই.দি.পিশিংবু খুন্দা লৈতাহল্লু হায়না দিল্লিদা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-চহি অসিদা চুরাচান্দপুরদা স্ক্রপ তাইফসকী কেস ৬২ রিপোর্ট তৌখি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী লান ৱিন্নর অমত্তা লৈরোই, পুন্না মাঙমীন্নগনি, শক উদবা বারলিনগী ৱাল অমনা খাজিল্লিবসি লৌথোকবা হোৎনসি হায়বা হান্নগী মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা পি.সি. লোমকুঙাগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ডাক্তর সম্বিত পত্রা য়াওনা থম্বাল শঙলেনদা শঙ্ঘধন প্রভা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে। পার্টি ওর্গনাইজেসন ইলেক্সনগী মতাংদা ৱা তান্নখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা-লৌফমশিং ঈশিং তুংদুনা লৈরি, লৌ লোকপদা অৱাবা ওইনগদৌরি হায়বা পাউ ফোংলি।

তমেংলোং জিলাগী থারোন কেপ য়েংবা ইরাক লাকখিদ্রে হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-শিজ হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা ডব্লিয়ু.এস.ও. এঞ্জেলস দাইমন এৱার্ড ফংল্লক্লে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোইশিংনা মনিপুর ক্রাইসিসকী রিজোলুসন পুরকউ হায়না দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অসিনা

অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-এসেমব্লি ইলেক্সন মাংওইননা দ্রাফট ফোটো ই-রোল ফোংখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা নমদুনা শেল খায়বগা মরী লৈননা এন.এস.সি.এন (আই.এম) না কে.এন.এফ.(এন) গী কাডর অমা ফারে হায়না ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-জে.জে.এক্ট ২০১৫, পোক্সো এক্ট-২০১২ অমদি চাইল্ড মেরিয়েজ প্রোহিভিসন এক্ট-২০০৬ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস অমদি এদভোকেসি প্রোগ্রাম অমা নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-এ.দি.সি. মীখল মমাংদা মীওই ২০ না শাবা মেম্বর কমিতি শেমগনি হায়বা ঐচ.এ.সিগী ৱারেপ নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়না ফোংলি।